# আইএলপিগী মতাংদা ওল পোলিটিকেল পার্টি কম্মিতিগী রিপোর্ট সরকারদা খুৎশিন্নখ্রে

## বিল ওইনা পাস তৌনবা লো দিপার্টমেন্টতা থাদদুনা খন্নরগনি:ইবোবী

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ঃ* ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী মতাংদা শেমখিবা ওল পোলিটিকেল পার্টিজ কম্মিতিগী রিপোর্ট মণিপুর সরকারদা খুৎশিন্নখ্রে। বিল ওইনা পাস তৌনবা লো দিপার্টমেন্টতা থাদদুনা খন্নরগনি হায়না চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল চিফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েট ওফিসতা পাউমীশিংগী মমাংদা ওল পোলিটিকেল পার্টিজ কম্মিতি ওন আইএলপি সিষ্টেমগী চিয়ারমেন ওইরিবা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না কম্মিতিগী রিপোর্ট অদু চিফ মিনিষ্টরদা খুৎশিন্নখি।

রিপোর্ট খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা পোলিটিকেল পার্টিজ কম্মিতি ওন আইএলপিগী কনভেনর এমএলএ আরকে অনন্দ মশাগী অনাবগী চেক-আপ তৌনবা দিল্লিদা লৈখিবা, এমএলএ ডা:এনজি বিজয়না ঝরখান্দদা চৎখিবা অমসুং বিজেপিগী মীহুৎ আরকে শিবচন্দ্র আউট ওফ ষ্টেশন ওইবনা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

কম্মিতিগী মেম্বরশিং জেদি(এস)কী মনিহার গোশ্বামী,এমপিপিগী প্রসিদেন্ট এন সোভাকিরন, বিএসপিগী প্রসিদেন্ট এন কবিতা, এএপিগী মনিহার, সিপিআই(এম)গী ক্ষেত্রিময়ুম শান্ত, জেদি(য়ু)গী প্রসিদেন্ট এম তোম্বী, সিপিআইগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা:এম নর,এজেপিগী লুচিংবা লংথবাল কেন্দ্রগী এমএলএ করাম শ্যাম, হৈঙাং কেন্দ্রগী এমএলএ এন বিরেন, এনসিপিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা কৈশামথোং কেন্দ্রগী এমএলএ এল ইবোমচা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা ওইনাম কেন্দ্রগী এমএলএ ডা: আই ইবোহলবীনা শরুক য়াখি।

আইএলপিগী রিপোর্ট অসি সরকারদা খুৎশিন্নরদুনা পোলিটিকেল পার্টিজ কম্মিতি ওন আইএলপিগী চিয়ারমেন গাইখাঙমনা হায়, চহী অসিগী আগষ্ট ৬ তা চিফ মিনিষ্টরনা চিয়ার লৌদুনা সিএম সেক্রেটরিয়েটতা ফমখিবা ওল পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম অমদা ওল পোলিটিকেল পার্টিজ কম্মিতি ওন আইএলপি সিষ্টেম ইন মণিপুর অসি শেমখিবনি।



কম্মিতিগী চিয়ারমেননা মহাক মশানা অমসুং কনভেনরনা এমএলএ আরকে অনন্দনা ওইখি। কম্মিতিগী মায়কৈদগী থা ৫ রোম চংনা মণিপুরদা লৈরিবা লিগেল এক্সপার্টশিং, পোলিটিকেল অমসুং সোসিয়েল এক্সপার্টশিং, ইন্টলেকচুয়েলশিং কয়াগা উন্নদুনা মখোয়গী ওইবা কমেন্টশিং লৌখি।

পুন্না তোঙান তোঙানবা এক্সপার্ট ৩৩ গী ওইবা মৎশিং লৌরগা কম্মিতিনা সিট্টিং ১৫/১৬ হেন্না ফমদুনা খোমজিল্লকপদা ফংবা রিপোর্টশিং অদু সরকারদা থন্বনি। কম্মিতিগী মায়কৈদগী জেসিআইএলপিগী মীহুৎশিংগা ফোর্মেল ওইবা মীফম ২ রকসু ফমদুনা খন্নখি।

ঙসি চিফ মিনিষ্টরদা পীশিল্লিবা কম্মিতিগী রিপোর্ট অসি পেজ ২৮০ পাল্লি। য়াম্না ভোলুমিনস ওইবা রিপোর্টনি। পোইন্ট ৬ তা য়ুম্ফম ওইরগা সবমিট তৌরিবা রিপোর্ট অসিদা য়ারিবমখৈ অশোয়বা অরানবা য়াওদনা রিপোর্ট অসি নিংথিনা বাইন্দিং তৌদুনা সরকারদা পীবনি।

কম্মিতিগী মায়কৈদগী টার্ম এন্দ রিফরেন্স কয়া শেমদুনা সরকারদা সবমিট তৌরিবা রিপোর্ট অসিনা মণিপুরদা আইএলপিগী ওইবা বিল অমা পুথোক্নবা হোৎনবদা চাওরবা মতেং ওইরগনি হায়খি।

গাইখাঙম্না মখা তানা হায়, ঙসি সরকারদা পীখৎলিবা রিপোর্ট অসি সরকারনা কুপ্না য়েংশিন্দুনা য়াম্না মপুং ফাবা মওংদা বিল ওইনা পুথোরক্নবা হোৎনগদবনা প্রজা মীয়ামদা খঙহনবা য়াদ্রি। সেক্রেট ওইনা থমখিগনি। হয়েং বিল/এক্ট ওইনা পাস তৌরবা মতুংদা মীয়ামদা পুথোরক্কনি। মণিপুর সরকারনা প্রজাশিংগী ইথিল অমসুং অপাম্বা খঙনা ষ্টেট অসিগী য়াইফগদবা মওংদা চপ চাবা দিসিজন অমা লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

রিপোর্ট অসিদা আইএলপি চৎনরিবা হিমাচল প্রদেশ অমসুং সিক্কিমনচিংবা ষ্টেটশিংগী দোক্যুমেন্ট কোপিশিং য়াওরে হায়না গাইখাঙম্না ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেল পার্টিজ কম্মিতিনা সরকারদা পীখৎলক্লিবা রিপোর্ট অসিগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা হায়, সরকারদা পোলিটিকেল পার্টিজ কম্মিতি ওন আইএলপি সিষ্টেমনা পীখৎলক্লিবা রিপোর্ট অসি এসেমব্লিদা বিল ওইনা পাস তৌবা য়ানবা সরকারগী মায়কৈদগী লো দিপার্টমেন্টতা থাদরগা নিংথিনা একজামিন তৌহল্লগনি।

কম্মিতিগী রিপোর্ট অসিদা হিমাচল প্রদেশ অমসুং সিকিমদা চৎনরিবা আইএলপিগী মোদেল অদুসু য়াওরে হায়রিবনা লো দিপার্টমেন্টনা কুপ্না খন্নরগা প্রিপ্যার তৌরগা বিল ওইনা পাস তৌনবা হোৎনগনি।

লো দিপার্টমেন্টনা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা বিল ওইনা এসেমব্লিদা পাস তৌনবা কনষ্টিট্যুস্নেল মেন্দেটরি ওইনা গভর্নরগী এসেন্ট লৌবা দরকার ওইরি। গর্ভনরনা এসেন্ট পীরক্লগদি ফরে। করিগুম্বা পীরক্তবা তারগদি ভারতকী প্রসিদেন্ট অমসুং লো মিনিষ্ট্রিদা রিপোর্ট অদু থাগদবা লৈবনা মণিপুর সরকার অমসুং জেসিআইএলপিনা পুন্না চৎমিন্নদুনা কন্সটিট্যুস্নেল এক্সপার্ট কয়াগী ওপিনিয়ন অমসুং ভিউ লৌমিন্নসি।

মণিপুর সরকার অমসুং জেসিআইএলপি অনিগী অপাম্বা চপ মান্নে। পান্নিবা পান্দম অদু ফংনবা পুন্না চৎমিন্নসি।

মণিপুরগী অপুনবা জিওগ্রাফিকেল লেন্দগী চাদা ৯০ দি চীংগী লমনি। চাদা ১০ না তম্পাক্কী লমনি। তম্পাক্কী লমদম অসিদা চীং অমসুং তমগী প্রজা কয়া অমসুং মীতোপ কয়ানা খুন্দারি।

চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা ফোরেনর কয়া চংশিল্লকপদা ভিসা য়াওদ্রবদি চংবা য়াদবনা মণিপুর সরকারনা য়াম্না লায়না থিংবা য়াই। অদুবু মণিপুরগা বোর্দর এরিয়া ওইরিবা মোরেদগী নাগালেন্দ ফাওবগী কিলোমিটর ৩০০ রোম শাংবা অমসুং মিজোরাম ফাওবগী কিলোমিটর ২০০ দগী ২৫০ ফাওবগী বোর্দর এরিয়া অসি ইহাং হাংনা ভেলুনেরেবল ওইনা লৈবা মফম ওইবনা মফম অসিদা ফোরেন্নর মীতোপ কয়া হায়জিল্লক্লবগী মচাক অমা ওইরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভারতকী ষ্টেট কয়াদগী লাকপা মীওইশিং থিংবা য়াদবা ওইবনা আইএলপিগী মতাংদা বিল অমা অথুবদা পাস তৌনবা হোৎনবদা সরকার অমসুং জেসিআইএলপি য়াওনা মীয়াম্না পুন্না থবক তৌমিন্নবা অমসুং কন্সটিট্যুস্নেল এক্সপার্ট কয়া উন্নবা চংই হায়না চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা ফোঙদোকখি।

মণিপুর অপুন্বা অসি হিল্লি ষ্টেট ওইনা ভারত সরকারনা শকখংবীনবা মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী দিমান্দ তৌদুনা হোৎনবা লৈবরা হায়না পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা হায়, অদুগুম্বা ৱাফম অমত্তা মণিপুর সরকারনা খন্নবা লৈতে। দিমান্দ তৌবসু লৈতে। কেবিনেটনা খন্নবসু লৈতে হায়খি।

লাক্লিবা দিসেম্বর ১৮ দগী হৌরগা সিট্টিং ৩ ফমদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লিগী সেসন দা ঙসি পোলিটিকেল পার্টিজ কম্মিতিনা পীখৎলক্লিবা রিপোর্ট অসি বিল ওইনা পুথোকপা ঙমখিরোই হায়খি।